

মহৌশা : নঙগী চীং পাৎ তুরেল, হৈপাল লৈপাল
মহৈ মরোং
নুমিৎ থা থৱান্মিচাক লৈচিল নোং নোংজাবী
য়েংদুনা লেঞ্জে ঐখোয়না
কাউথোকচৈ পুন্সিগী চৈনা কয়া
হিংবগী পোৎলুম কয়া।

— *মোইরাংথেম বর কন্যা*

## শেগায়রবা ছাটিন

**— এন হেনরিতা**

ছাটিন শেগায়বগী মপোক্লি
পান্নীদবা অমনবনিনা মীয়াম্না।
অদুবু কথোক্লবনি পুন্সিসে
পান্নীদবা মখোয়গীদমক।
লাংবনগী শারবা নুংশা
ইঙা ইঙেনগী নোংজু
ঙাকথোক্লিবনি ঐনা
খুদোংথীবা কয়াদগীসু
মরুপ মপীজা ওইনা
মমা মপা শক্লা।
'দুবু লাইবক থীবী ওইবনা
নোংমসু লংথোকপীরম্মী
হুরানখিরোই শেগায়বনিনা।
নোংমসু পুশিনবী
নোংমতসু কান্নরকখিনি খন
নোংমসু তথি-তথি চৈ
কাংখ থাঙগুম।
অসিমখক্তংদি খঙবীয়ু
মপোক থীবী ঐহাকসে
কথোক্লবনি নখোয়গী য়াইফনবগীদমক
নোংমতংদি ফোৎচিনবিখিনি খন্ন;
চাউথোকচৈ ৱাখলসিনা
মঙলান কয়াগা লোয়নন্না
নঙালদুদা হিংলিবনি অসুম্না।

## হু চেল্লবা নুংশিৎ

**— এম কুলচন্দ্র সিংহ**

শীৎলিবা নুংশিৎনি হু চেল্লবা
মীহাৎ-মীপুনগী, হাৎনবা শুনবগী
মী মরক্তা থল্লিবা, খেন্নবা
নোংমতা কাংদে, মীকপ-মীরাওখোল।
পাল্লি নাইনা শা-ঙাগুম্বা
মীহাৎ-মীপুন, মীশি-মীনা
ঙসিনা কনাগী হয়েংনা করি
তম্বা ঙমদে তাইবঙ মীওইবা।
চীংয়া য়েংই ইকোক-কোক
পাৎয়া ফংই লৈত্রক চৎ
মীদা য়েংই অশাওবগী অশাওবা
নুংশিৎনা শীৎলিবা হু চেল্লবা।
অঙম-অঙম্বা হাৎনরি
অফং-অফংবা শুদৎনরি
য়ৈনরি-শুনরি অমগা 'মগা
শীৎলিবা নুংশিৎনি হু চেল্লবা!!

## ইশং কারবা লম্বী

**— এলাংবম চনু তম্ফাতোম্বী**

মতমগী য়াওল খোঙচত্তা
য়েন্নিং হুল্লকপদা ঙায়জরিবা
উপাল-ৱাপালশিং
হৈপাল-লৈপালশিংবু,
নুংশি হৈতনা নৈহৎপীরিবা
লমতাগী নুংশিৎ অঙাওবা
শজিবুগী নোংলৈ তমথিবনা,
অখাক-অরাওগা লোয়ননা,
খংহুম-খংহুম হুমলকপদা,
কন্না অমুক চুরিবা
তপ্পা অমুকসু তারিবা
কুফেৎ-ক্যাফেৎ নোংথাংলক্তা
থিৎলি-থিৎলি খিক্লিবা
লেপ্পা লৈত্রবা নোংসিনা
শৃৎ-শৃৎ নাল্লবা
অকুৎ-অতোং নাইরবা
তিঙ্খং-তুম্বৌ কয়াসু তারিবা
ইশং কারবা লম্বীসিদা,
কথোকপনা পুন্সিগী পান্দম ওই
লুম্লবা ৱাশকপু কোকথোংনদুনা
চেনচৎ চৎলিবা
থৌনা ফরবা মরুপ
কয়াম ৱাৎলি য়ৌগদবা
মঙলান্দুগা তাইবঙগা শম্নফম
খোঙচত্তুগী পন্থুংফম!
য়েংউ মরূপ
লৈরিবা ময়াম
লম্বীগী নাক য়েত্তা
নঙবু য়েংলিবশিং অসে
কল্লকপসু য়াওরি
য়েংথিবসু য়াল্লি
চেকশিল্লু নঙগী খোঙথাং।

কাউগনু
খুরক্কী ঈনা লাই শারবা
লম্বীনি ইশং কারবা
তুবা থোক্লবা নহাক
করিগুম্বা লম্বীসিদা
নপুম থীৎকনি
লফু কাবগুম
হৌগৎনবা হোৎনবদা
হানখিনি নুমিৎ তাবনা।

নুংশিরবা মরূপ
চেকশিল্লু তুদনবা
চেকশিল্লু
লম্বী লক্মাংনদনবা
চেকশিল্লু তুম্লবসু
মঙলাক্লদনবা
চাবদসু য়েমৌনদনবা,
খল্লবদি নহাক্লা
পন্থুংফম য়ৌগে
পজেং ফিরাল ফংগে
লানঙম ফিরাল য়ুংগে।



## অকায়বা লীক্লি

**— অঙোম সরিতা দেবী**

যুগনি,
ঐনা নঙগী থোৎলবা খুয়াদা
লংথোক্লম্বনি নঙনা ঐবু
অকায়বা লীক্লি মচেৎ ওইনা।

নোকখি নঙনা
মতম অমদা
ময়াই কারবা নঙগী চীনবালনা
হঞ্জিন-হঞ্জিন থেংনদুনা
পেন্না চুপখিবা
নীক নীক লাওরবা
যুগী অথনবা পাত্রদুনি।

ঙসিনা
লংথোক্লন্নি নঙনা ঐবু
অকায়বা লীক্লি ওইনা।

## নিংথমথা

**— হাওবীজম চনু প্রেমা**

ওহ!
নহাক লাক্লব্রা?
কাউথোক্লুরে ঐদি
নহাক হল্লকপা মতম ওইরে হায়বা।

ঙসি অয়ূক য়াহৌরকপদা
লৈচিলনা কোকখুল্লদুনা
তইং তইংবী মায়থোঙ লুরুক্লা
লেপ্লম্বসিদদি ঙক্তুম ঙক্লুরে।

করিগী ইকোই কোইরিবনো ইতা?
হৈনদ্রবরা শান্নবুং ওন্নবসিদা?
অদুঙৈ ঐখোয়নীনা শান্নমিন্নখিবা
পাৎয়াগী খুঙ্গংদুদা
লৈরমদে হায়দুনা ৱারৌরিব্রা ঐবু?

পুন্সি খোঙচৎপু
হোংদ্রবদি করি ওইগনি?
নহাকসু য়াম্না ওল্লেদা, চুমদ্রনে?
অদুবু
ইশানা ইশামু কাউজবমখৈদি ওন্নখিগুমসি।

ইতা!
নুংশিকো মতমদো মফমদো
অঙনবা অয়ূক্কী লীক্লা মরক্তা
শোঙলবা শিঙ্গারৈ মখোঙদা
নঙ ঐ লেপমিন্নখিবগী
শহুমদো ফাওরি ঙসিসু।

হাঙলবা খোঙয়ানা উনখাথক্তা নেৎপগী
ত্রৎ ত্রৎ চিংশিঞ্জরবসু
শন্থী খুদেং কোকথোংনদুনা
ইকোপ পাৎশাং চৎমিন্নখিবদো,
নুংঙাইবনিদা।

নীংশিংলিবা নৎত্রা?
ৱাপল মখোঙদগী লুক্রাক খুনমিন্নখিবদো?
খাওদোকখ্রবা লৌফমশিংদগী
চরূখোক ফোইমিন্নখিবদো
চাক ঙৌদুনা, আলু ওমদুনা চামিন্নখিবদো
হাওরৈ মখোঙদা লাইধি শান্নমিন্নখিবদো...।

আহ! নিংথমথা ইতা
নঙনা ঙসি লাকপসিদি
ঙারেন মথেল ময়ামদু
লোইনমক য়োল্লক্লবোই।

## ৱাকচীংগী মরুপ

**— অখোম য়ান্দিবালা দেবী**

মরুপ নঙনা লাকখি
লৈচিলগী কাঙখল পুদুনা
খঞ্জিনখি নুমিদাংগী মতমদা
মালেম পূম্বা অঙানবা য়াওদনা
অদুদগী
নঙগী খোঙলোয় ওইনা
হুমজিল্লকখি অমুক
অঙ্গংবা পঙ্খা
ঈশিং মনিল য়াওবা
হকচাং চীক চীক লাউবা
উনগী য়েম্পাক্তা
হীপ্লি জীব খুদিংনা
মাগী মাগী ময়ূম
নৎত্রগা মকোন্দা
মরুপ নঙ চৎখিবা
কয়াদা ৱানা খাঙখিবা
লায়রবা অঙাংশিংনা
কোয়চেন চেন্দুনা
করিগুম্বদনা চীং মান্দা
লবুক লমহাংদা
খবরগী লামায়দা
অশিবা হকচাং লইনা
করিগুম্বদা ৱা ঙাঙদবা মুর্ত্তিগুম
ম্যুনিসিপালিটিগী গাড়ীদা
অদুনরা মরুপশা নখোয়না
ঋতুগী থোঙজিন্দগী
থাংনীংদা থাংনীংদা
থাংদোকখ্রিবা
অশোন অনা
লায়রবশিংগী য়েক্লবা ওইরদুনা।

অখন্নবা ৱারেং

# মালেমগী শৈরেংগী নুমিৎনা লাকপসিদা

# (নুপীশিংগী শৈরেংদা তারিবা নুপীশিংগী অথীবা মশকশিং)

**সলাম তোম্বা**

**শৈরেংদি শৈরেং ওইনা থল্লমসি। চক কয়া পাহৌগদবা শৈরেংদা অশাউবা মপৈনা অমংবা নোং ওইনা থল্লম্বসু ফত্তে। ইশা ইশাগী পেন্দবা, শাউনিংবা, খোল্লাউ কয়া শৈরেং ওইনা থোক্লকপা তারবদি ৱাহৈগী, ৱাহন্থোক্কী মফম চানা হাপ্পা ফৈ খল্লি।**

**শৈরেংগী** নুমিৎ অসিমক্তি কুনশুবা চহীচানা কুনমাথোইশুবা চহীচাদা পীরম্বা নুংশি খুদোলনি। মুৎলমদাইগী থাউমৈনা অমুক্তং খংঙান ঙাল্লম্বগুম্বনি, শিগদৌরবা মীনা পাম্মুবা পোৎশক অমত্তং মানা খ্বাইদগী থাজবা মীদা মাঙহন্দনবা শিন্নরম্বগুম্বনি। পুন্সিগা শৈরেংগা থাদোক্লবা য়াদে হায়বদু নৌহৌননা খঙলক্তুনা যুনেস্কোগী ৩০শুবা মীফম, কুমজা ১৯৯৯দা পেরিসতা ফমখিবা মীফম্না মালেম থুংনা শৈরেংবু অনৌবা মপোক অমা পীনবা লেপ্পখিবনি। মতমদুদগী মার্চ ২১বু মালেমগী শৈরেংগী নুমিৎ হায়না পাক শন্না থৌরম পাঙথোক্লবা ৱারেপ্পখিবনি। অহানবদদি মসি ওক্টোবর ১৫, রোমগী মহাকবি ভার্জিন মপোক নুমিত্তা পাঙথোক্লরম্বনি। মতাংসিদা যুনেস্কোগী ডাইরেক্টর জেনরেল ইরিনা বোকোভানা পীখিবা ৱারোল নীংশিংবা য়াই। মানা হায়খিবদা, "শৈরেং খুদিংমক মমল লৈ। শৈরেং খুদিংমক মীওইবগী চপ মান্নবা মশক অদু ফোঙদোক্লিবনি। অনৌবা আশা অমা পীরিবনি। শৈরেংগী অকক্লবা লম লৈতে, পল লৈতে, মতম লৈতে। মসিগী পন্থুংদি মীওইবা হায়বসি ইমুং-মনুং অমতনি হায়বসিনি।" কয়াদা চুম্না হায়খ্রবা।

নুমিৎ অসিগী মরুওইবা পান্দমদি মালেমদা লৈরিবা লোন খুদিংমকসি শৈরেং ইহনবনি অদুগা মুৎখিদৌরবা লোন অদুফাওবা শৈরেং ইহন্দুনা মাগী-মাগী কাঙলূপ্তা তাহনবনি। মসিদা নত্তনা শৈরেং শৈদিন্নবা য়াই। শৈরেং করিনো, কমদৌনা ইগনি হায়বা অঙাংশিংদা তম্বীবা য়াই নৎত্রগা শৈরেংগা অতৈ কলাগী মচল কয়াগা লৈনরিবা মরী অদু নৌহৌননা নীংশিংদুনা খন্ন নৈনবা য়াই। মদুগী পরিংদনি মার্চ ২১ অসিদা মণিপুরদসু মখল কয়াগী থৌরম পাঙথোক্লরিবা। শৈরেংগী অনৌবা মপোক অমা পীনবা হোৎনরিবা

নুমিৎ অসিনালাকপসিদা ঐগী ৱাখলদা য়ৈরকই ৱাফম খরা। অসুক শাংখ্রবা শৈরেংগী খোঙচৎ অসিদা ঙসিদি ওন্থোকপা তাঞ্জা অমদা থুংলরে। নুপী নুপা থোং চপ মান্ননা শৈরেং ইনরকপা অসিদা অমনা অমবু মরাল শীনরকপা, কলাগী মশক অদু নাথৈরল্লগা প্রোপেগেন্দা ওইনা, কনফেসনেল পোইত্রি ওইনা মাগী-মাগী অনীং অনীংবা পঙইদা ইনরকপা অসিনা শৈরেংগী মফমদা থল্লম্বা ঐখোয়গী থাজবা, ঐখোয়গী অশা মমি শাল্লকপা অসিমসু অমনি।

১৮শুবা চহীচাদা রাজনীতিগী, খুন্নাইগী , মহৈ-মশীল তম্বগী লমদা মান্নবা হক তানবদগী হৌরকখিবা অমদি ইংলণ্ডগী ইন্দষ্ট্রিএল রিভোলুসন্না, ফ্রেঞ্চ রিভোলুসন্না মৈচাক হেনগৎহল্লকখিবা 'ফেমিনিজম' হায়বসি মশক কয়া ওন-ওন্দুনা লাকপনা ঙসিদি মালেমগী খোরিরোলদা অচৌবা ঈচেল অমা ওইরক্লে। মসিগী মরুমদনি নুপী অইবীশিংনা ঙাঙনিংবদা ঙাং, ইনিংবদা ই লাক্ল-ফানবা ঙল্লক্ত্রিবা। মসি অফবা খুদম্নি। অদুবু মায়কৈ হায়বা অমদি লৈ। ফেমিনিজম্বু ৱাহন্থোক লান্না-লান্না হন্নদুনা ইনিংবা পঙইদা ইবদি অফবা খুদম নত্তে। হায়রিবা অসিমক নোংচুপকা নোংপোক্কা মায়কৈ মান্নদবা উই। ৱাফম অসি ইন্দিয়াগী অইবী, ইন্দিয়ান মোনরো হায়না খঙনবী, কমলা দাস মশানা হায়রল্লবনি। মাগী মত অসি লৌবা য়াই। মানা হায়, "নোংচুপকী ফেমিনিজমদি নুপাগী মায়োক্তনি, নুপাবু শীংনবনি,ঐগীদি নুপাগী মায়োক্তা নত্তে, ঐদি নুপাবু তুক্কচবা ঙমদে, ঐগী ইপুরোইববু নুংশি, ইচানুপাশিংবুসু নুংশি।ঐগীদি নুপাগা ভাব তামিন্নবনি, নুপানা চাউবা খুন্নাই অসিগী চৎন-কাঙলোন শেমদোকপনি।" অদুনা মানা নুপীগী হকচাংবু মীহৌবা, নুপীবু হকতিন্নবদগীদা খনবা নুপাবু য়ানিংদে, অদুনা শাউনা ইখি, "ঐনদি নুংশিবা নিখি, অতৈ নিফম খঙদ্রদদুনা/ অদুবু মানদি চহী ১৬কী লৈশাবী ঐবু চিংশিল্লি/ ফমুংদা, থোঙ লোনশিল্লি, ফুবদি ফুদে/ অদুবু ঐগী নুপী ওইবীগী হকচাংদি নৈহৎপীরে/ অদুনা ঐগী থবাক্তা, চনীংদা ফাওবা চৈনাদু ঐ খাঙবা ঙমখিদে।" (সম্মর ইন কলকটা, লা: ৫৯)। মসিদা উৎলিবসি নুপাবু থম্মোয় পান্দে হায়বনি।

অতোপ্পা নুপী কবি অমসু য়েংবা য়াই। মানদি নুপাবু শাথিবা, নুপী উবা য়াদবা, অকিবা পোৎশক অমগুম য়েক্লি। মহাক অদু কনাসু নত্তে, কুমজা ১৯৪০দা পোকখিবা মমত কালিঅনি। ইংরাজি অমদি হিন্দী অনীমক্তা শৈরেং, নোভেল, ৱারীমচা ইবী অইবী অসিগী শৈরেংসু য়েংবা য়াই। মানা অসুম্না হায়, "ঐ মফি থোংদবা অচুম্বা কিবিদে/ মখুম হাংদোকপা ছূরিসু, মখুম কুপ্তবা লাংখোংসু কিবিদে/ অদুবু মফি থোংদবা নুপাবু কিদে হায়বদি ঙল্লোই/ তশেংনা ঐ মফি য়াওদবা নুপাবু ওন্থোক্লা কিজেকো।" ( আই এম নোৎ অফ্রেদ ওফ এ নেকেদ ট্রুথ)। মসিদা উৎলিবা শক্তম অসিদি নুপাশিংগী মফমদা অফবা খুদম নৎত্রে।

অমুকসু অমেরিকাগী মমিংলৈবী অইবী সিলভিয়া প্লাথকী শৈরে য়েংবা য়াই। য়াম্না ফনা হৌরকপনি, লুহোংলবা মতুংদা নীংবা কায়বা পুন্সি অমদা লেনখিবী, মমৈদা মতোমতা শিজখিবী অইবী অসিনা নুপাবু ওন্থোক্লা তাথিখি। মরমচৎ য়ানিংদবগী কায়নখ্রবা মাগী নুপা টৈদ হ্যুকপু নাকোয়ননা চৈরি অসুম্না, "শিবা হায়বসি/ ঐঙোন্দনি কলা অমনি, অতৈ কলাগুম/ ঐনা মসিবু হেন্দোক্লা ফজনা পাঙথোক্কনি/ ... অদুবু তাও, লাই নঙসু তাও শারোই ঙারোই লোইনা/ চেকশিঞ্জৌ, চেকশিঞ্জৌ/ ঐগী উৎ মরক্তগী/ ঐদি হৌগৎলকখিনি ঐমক ওইনা/ অদুগা চাথোক্কে খল্লি নুপাবু, নুংশিৎ চাবগুম।" (লেদি লজারস)। পেন্দবনা শাউনিংবা, তল্লকপগী খোল্লাউনি। নুপাগী মায়দা হামুক তৈশিনবনি।

পেন্দবগী খোল্লাউ অসি মণিপুর য়ৌরকখি। ঐখোয়গীনা কমদৌনা লৈহৌগনি। কলম মচিন থৌরবা ইবেমহলগী শৈরেংদগী থোক্লকই খোইশাওনবা ৱাহৈ কয়া। নুপাবু মমল লৈনা উরক্তে। মচে-মনেম, মনাওনুপী, মতৈমা মশক খঙদবা দুশাষণগুম উরকই। মাগী ৱাহৈদা ইরি, মুল্লু ইফি দ্রৌপদিগুম/ মশীং থিঙমদা/ মীয়াম মাঙদা মাঙহল্লু ইজৎসু/ মাঙহন্নিংবা মতমদা/ ... মরমদি/ নঙদি লাইফদিবীবু থৱায়/ খক পালহন্নিংদে।" (নোংথাঙগী ইন্নফি, লাঃ ৬)।

অদুবু লাক্লিবা ৱাফমদি শৈরেংশিংসিদা ফোঙদোক্লিবা ৱাফম ময়ামসি নুপাশিংনা ফংজবা য়াবা শাপ ঙাক্তরা? ৱাহৈগী মরেপ অদু য়ৌনা নুপানা মরাল লঙজখ্রবরা হায়বসিনি। ৱাফমসি নৈনবা য়ারি। নুপীশিংসি ইরাল লান্দ্রবরা শোয়দনা হংলক্কনি নুপা খরনদি। নুপীনা ফনা লাল্লবসু ফনা ওক্ত্রবসু নুপাশিংগী কলমদগী থোক্লকপা ৱাহৈশিংদি অসুক তমথিদ্রি হায়বা য়াই। অদুগী মথক্তা শৈরেংদি কলানি, ৱাহৈগী শক্তমনি। শৈরেংদি অচুম্বা, নুংশিবা, ফজবা থিবনি। হোরাসকী মতুং ইন্নদি ফজবদনসু য়াদ্রি হায়রি। অপাবা মীশিংগী থম্মোয় হূবা ঙম্বা ওইগদবনি হায়রি। কলাগী পোৎতি ফজনা থম্বীরম্বা ফৈ খল্লি। নুংগী ৱাহন্থোক লৈহল্লগা লোইরে।

নুপাশিংগী নাকোং নুপীনা ইরকপ নুংশিবা কয়া চক কয়া তারকপনা ফজবদা তানিংবা পোক্লি। য়েংবা য়াই ১৭শুবা চহীচাদা ইংলণ্ডগী অমেরিকাদা হোংখ্রবী অইবী এন্নে ব্লেদস্ট্রিৎকী নুংশিবা শৈরেং অমা। মানা মাগী নুপাবু কয়াদা মমল লৈনা থাঙ্গৎখ্রবা। মানা ইরি, "নুংশিবা! নঙগী নুংশিবনা মহেল্লি/ খনিগী সনা পূম্বদগীসু/ ... ঐগী ঈখৌলাংবদি তুরেলনসু কোকঙল্লোই/ নহাক্লা নত্তনা।" ((টু মাই ডিয়ার এন্দ লভিং হজবেন্দ)। কয়াদা নুংশিখ্রবা ৱাহৈনো। ভারতকীসু লৈরি, মাগুগম্বী অইবী। ইন্দিয়াগী নাইটিংগল হায়না খঙনখ্রবী সোরোজিনি নাইডুনা মাগী নুংশিববু কয়াদা ৱাংনা থাঙ্গৎখ্রবা। মাগী 'এক্সটাসি' হায়বা শৈরেংদুগী মতেক অমত্তং য়েংবা য়াই। মসিদা মানা হায়রি অসুম্না, "খুমজিনবীরো ঐগী মিৎ, হে নুংশিবা/ নঙগী থৌজান্দবু ঙাইরিবী মিৎনি/ ... চীনবানসে উমশিনবীরো নঙগীনা, ৱা ঙাঙদনবা/ চোকথরবনি নঙগী ঈশৈ শকপদা।(লামায় ঃ২৫)।

মতাং অসিদা ঐখোয়গীসু অমত্তং পল্লমনিংঙি। থম্মোয়গী পেন্দবা, অশাউবা পূম্বা নূংপাক্লা নন্দুনা থল্লগা প্রমান্না, করিনা, ফোঙদোকচবী অইবী অমত্তং লৌখৎচগে। মহাক্তি নুপা ওইবশিংবু কন্না চৈনিংলবসু অপান্ননা হায়দে। মদুগী মহুৎ সিম্বল লৌদুনা ফোঙদোকই। শকুন্তলাগী সিম্বল শিজিন্নদুনা লমদমসিদা নুপীশিংগী মরাইবক তম্বা ঙমদবা ফীভমদু ফোঙদোক্লি। মাগী ৱাহৈদা অসুম্না ইরি, "নঙ লাক্কনু শকুন্তলা/ থম্মোয়গী পল ৱাংমা লান্না/ হিংবগী থৌরি চিংনরিবা/ পীক্লিবা চীংলৈবাকসিগী চনুরাশিংগী থম্মোয়দা।" (কোইজম শান্তিবালা, শকুন্তলা অমসুং শাথেক, লা: ৭৯; *পল্লোন ৱাংমা*)। ফজবা ৱাহৈগী উচন্নি হায়নিংই।

লোইশিল্লকপদা অসুম্না লোইশিন্নিংই। মালেমগী শৈরেংগী নুমিৎ অসিদা শৈরেংশিংগী মফমদা কোক নোঞ্জবগা লোয়ননা ৱাফম অসিমত্তংদি থমজনিংঙি। শৈরেংদি শৈরেং ওইনা থল্লমসি। চক কয়া পাহৌগদবা শৈরেংদা অশাউবা মপৈনা অমংবা নোং ওইনা থল্লম্বসু ফত্তে। ইশা ইশাগী পেন্দবা, শাউনিংবা, খোল্লাউ কয়া শৈরেং ওইনা থোক্লকপা তারবদি ৱাহৈগী, ৱাহন্থোক্কী মফম চানা হাপ্পা ফৈ খল্লি। এস টি কোলরিজনা হায়রম্মী, "শৈরেংদি চপ চাবা ৱাহৈনা চপ চাবা মফমদা লৈবদুনি।" ৱাফম অসি ঙসি ফাওবা অদুম চুমদুনা লৈরি হায়না খল্লি। শৈরেংদি থম্মোয়গী মরলনি। থম্মোয়না লৈরিমখৈ শৈরেংসু হিংহৌরসনু।○

ক্রমশঃকপা

# মোহন দাস

## (কুমজা ২০১০দা সাহিত্য একাদেমী এৱার্দ ফংখ্রবা হিন্দী নোভেল্লা)

**উদয় প্রকাশ**

*(হান্নগী মখা চৎখজরকপা ...)*

"ইমৌসে লাইগী থৌজালদগী হিংহৌবনি। লৈকায়গী মীওইশিংনা তুলসি অমদি গঙ্গাজল পুনরকপা ফাওবা য়াওরিবনি।" মমানা ফিজিদা মমিৎতগী মপী তৈথোক্তুনা হায়রকই - "অমুক্তা চঙলগা নচানা কপ্পদো য়েংলুচো।"

মোহন দাস কাদা চঙলকই। ঙাইহাক্কী মমাঙদা শিরুবদগী হিংগৎলক্তুনা ফমুংদা মচাগা হীপ্তুনা লৈরিবী কষ্টুরী উই। মৈফুদা ষষ্ঠী, নিম অমদি অজ্বাইন থাবগী কা অদু মৈখুনা পুম্মম মমই। কষ্টুরীনা মমীৎ পাংলি পাংলি মোহন দাসপু য়েংলকই। মিৎয়েং অদুদা মোহন দাস ইকায়বা অমা ফাওই। মশানা খঞ্জে, ঙসিদগী চাক চখোম অমসু হেনগৎলক্লে। য়ামদ্রবদা থা তরেৎ-নিপালদি নুমিৎ খুদিংগী শঙ্গোম কিলো মখায় অমমমদি লৌদবা য়াররোই। কষ্টুরীগীসু থা অমা ফাওবদি শিং অকংবা, চিনী, ঘী অমদি চাক্লা য়াইঙংগা দরকার ওইগনি। স্বষ্টি অমদি চউম্বদসু খঙনা চান্নবা মরী-মতাশিং তাক্তবা য়ারোই। তুংদা মোহন দাসনা কষ্টুরীগী মনাক্তা হীপ্লিবা অঙাং অদুবু উরকই। মশা-মউ ফনা, তনোয় তনোয়না করিসু খঙজদা মমাগা তাইননা হীপ্লি। কয়াদি ফজরে, কয়াদি নুংশিরে। লাইগী মচাদা মচাগুম্বনি। ঙসিদি অহানবা ওইনা মোহন দাসতা মপা অমা ওইবগী মীনুংশি ফাওই। মহাক্লা অঙাং অদুবু মুন্না য়েংদুনা লৈখি। তাল্লক্তুদা শঙ্গোয়দগী মপা কাবানা মোহন দাসপু কৌরদুনা হায়রকই - "পোষ্টমেন সিতারাম লাকইয়ে। কার্দ অমসু পুরকই।"

দিষ্ট্রিক্ট অসিগী খ্বাইদগী চাউবা কোলিয়রীদগী থবক্কী ইন্টরভিয়ু লেট্টর অমা লাকপনি হায়বা মোহন দাস খঙলে। মমাঙগী থা কয়াদগী মোহন দাসতা অসিগুম্বা কার্দ লাকখিদবা কুইরে। কথিনা তুরেলগী তোর্ব্বান্দা অহিংদা হীপ্তুনা খল্লুরিবা পুম্বদো অতিয়াদা থোক্লিবা থা থৱানমিচাক কয়ানা তাবিরে খল্লি। নৎত্রগা লাইনা মহাক্কী অৱাবা অসিবু উবিরব্রা? কষ্টুরীনা পোক্লক্লিবা অঙাং অসিবু তশেংনা লাইগী মচা ওইরব্রা? মহাক্লা হেক খোঙদারকপদা ইমুং অসিদা মঙাল মা তারকপগুম ফাওরি।

ওরিএন্টল কোল মাইন্সকী খুথাংদগী এমপ্লোইমেন্ট ওফিসতগী ইন্টরভিয়ু কার্দ অসিদা লাক্কদৌরিবা মহাক্কী পুন্সিদা অনৌবা মঙাল অমা পীবগুম ফাওই। মতম কুইরবগী তুংদা মঙোন্দা অনৌবা মঙলান অমা মতোল চোংলক্লে খল্লি। নুমিৎ অদুদগী অহিংদো মোহন দাস তূম্বা য়াখিদে। মরা য়াওদ্রবা উ অকংবনি খল্লুরবা মহাক্কী পুন্সিদা ঙসিদি অনৌবা মতোল অমা চোংখৎলকপগুম থোক্লে।

ইন্টরভিয়ু নুমিত্তদি ওরিএন্টল কোল মাইন্সতা মহাক পুং অমগী মমাঙদা থুংলখি। লাইরেম্বী মলৈহা ইমা অমদি কবিরদাসকী মিং শোন্দুনা মশাদা থাজবা অমা ফাওই। অমবু ওইরে, অমবু ওইরে থবক তৌহৌদবা য়াদে খনখি। পুং অমনা অইবগী চাংয়েংনি। মদুগী মতুং পুং অমগী অহাংবা লৈরগা ফিজিকেল টেষ্ট তৌগদবনি। মোহন দাস থৱায় য়াওনা হোৎনৈ। পুং অমগী অইবগী চাংয়েংবু পুঙ্খায় ফাদনা লোইশিল্লি। ৱাহং য়াম্না লায়। মদুগীসু মথক্তা পাউখুমদি মখাদা পীথোক্তুনা লৈবনি। শুপ্লতগী অচুম্বগী মপাদা চুম্মে হায়না টিক তৌরগা লোইরে। মসিগী মতুংদা মিটর ১৫০০ গী লমজেল, ৱেট থাংবা অমদি খুনিং অমদি খুকউ শৌদুনা লৈমায়দা শীৎলগা চৎপা, লম্পাকপু মঙারক কোয়বা, মীৎ চেক তৌবা অমদি মচুনচিংবা খন্দোকপনি। ময়ামগী অপূনবগী ফিজিকেল টেষ্টতা পুং অনী চঙখি। পূম্নমক অসিদা মোহন দাস কনাদগীসু তাখিদে।

নুমিদাংৱাইরম পুং ৪ তারকপদা রিজল্ট লাউথোরক্লে। কোলিয়রী ওফিসকী গেটতা কম্পিটিটর ১৫০ গী মনুংদা খল্লবা মীওই মঙাগী মমিং থেৎলে মদুদা মোহন দাসনা মকোক তারে।

মোহন দাস পাখৎচৈ। মশাদা অঙকপা থৌদোক অমা থোক্কদৌরে খল্লি। খঞ্জে তুংদা মহাক্কী পুন্সিদা চয়েৎনবা অমত্তা লৈররোই। থা খুদিংগী তলব ফংলগনি। চাকখুম মৈসু মুৎলরোই। মমা-মপা অনীবুসু লায়েংবা ঙল্লগনি। মচা দেবদাসপুসু নীংথিনা য়োকপী থাকপীবা, লাইরিক লাইশু ফজনা তমহনবা ঙল্লগনি। কষ্টুরীসু মীগী ময়ূমদা থবক শুবা চৎলরোই।

কোলিয়রী ওফিসারনা মোহন দাসতা মহাক্কী সার্টিফিকেট থাজিলহল্লে। বি এগী মার্কসিট উবদা ওফিসারনা হায়রকই- "হৌজিক ফাওবা নহাক থবক ফংলমদ্রিবা? খরা ৱানোল্লল্লগা অচৌবা থবক অমা তৌরম্বা য়াবসিবো?"

"জোইনিং করম্বা কান্দগা য়াগনি?" মোহন দাসনা হংলুবদা ওফিসারনা খুম্লকই, 'জোইনিং তৌরবগুম্বনি। হাপ্তাসিগী মনুংদা চে-চাং লোইশিল্লগা মথংগী হাপ্তাদদি এপোইন্টমেন্ট লেট্টর নহাক্কী য়ূমদা থারক্কনি। ... থেঙলবদা নুমিৎ ১৫ নি পারো।"

মোহন দাসকী ময়ূমদা অহোংবা অমা লাক্লে। মহাক্কী পোষ্ট ওফিসকী একাউন্টতা লুপা লিশীং অনী য়াওই। মদুদগী মহাক্লা অহানবা কাঞ্চল, অশেংবা ঘী কিলো অমা, চিনি, শিং অকংবা, কোল-লীক অহনবা খরা অমদি মমাগা মচাগগী মফি-মরোল খরসু লৈরে। মশাগীনা জিন খোঙগ্রাও হীগোক অমা, টেরিকোটকী ফুরিৎ অমা, লুপা কুন্থ্রা পীবা পর্স অমদি লুপা ৫/৫ পীবা রুমাল অনীসু লৈরে। পর্সুদা হায়নদুনা নুংতিগী অয়ূক্তা শঙ্গোম কিলো মখায় অমমম লৌবগী শীল্লে। ওরিএন্টল কোল মাইন্সতা অচৌবা থবক অমা ফংলে হায়দুনা খুঙ্গং শীনবা থুংনা ঙাঙনরে। মহাকপু য়ারুদ্রবা খুলগী মীওই কয়া অমসু হৌজিক্তি মঙোন্দা নপচবা হৌরে। মহাক্লা তম্লুরিবা লাইরিক অমদি মহাক্কী হোৎনজবদা করেম্নরম্বা কয়াদো হৌজিক্তি ৱাঙাঙ হোংদুনা হায়রে, "ঐখোয়দি হান্নদগী খঙইদা। অসুক য়াম্না লাইরিক তম্লুরগবু থবক ফংদনা তোক্কদ্রা।" খরনা অসুম্না হায়নবসু য়াওই - "মোহন দাসকী বন্সহর পলিহা হায়রিবা জাৎ অসি হৌজিক্তি রিজার্বেসন্দা হাপচিল্লে। মহাক্লা ফংলিবা থবক অসি কোটাদা ফংবনি। মখোয়গী জাতিদা বি এ পাস তৌবা নুপাদি মহাক নত্তনা অতোপ্পা মীওই অমতসু লৈতে।"

নোংমদি মোহন দাসকী ময়ূমদা ক্ষির হৌই। অলুগা মঙ্গলগা পূন্নসু থোংই। মমা পুটলিবাই মমিৎ তাঙলে হায়বা কাউরে। মখূৎনা মার মারদুনা য়াংকোক্তা চেঙ হৱাই হৈদোক্তুনা নূং খল্লি। মহাক্লা হঙ্গাম থাউ, হৈনৌ অশংবা অমদি মোরোক্কা য়ান্ননা মেৎলি। মপা কাবাদাসকী গনেশ সাপ মংগলুরি বিড়ি অমদি অহনবা জহাজ য়েকপা মৈখেৎ উপু অমসু লৈবিরে। মৈখেৎ অদু হাইফেৎতমক খেৎপদা মৈ ব্রঙ ব্রঙ হৌই। মপা বিড়ি থক্তুনা অহিংদা কবিরদাসনা ইবা লাইশোল ঈশৈ হৌনা হৌনা শকই। হৌজিক্তি মহাক লোক খুদ্রে, করিগুম্বদা খুরবসু ঈ য়াওবা থেংনদ্রে।

নোংমদি অয়ূক অঙনবদা পুটলিবাইনা হরাওদুনা শঙ্গোয়দা লৈনা লৈনা ঈশৈ হৌনা শকই-

"ইমৌগী কাদা অলোপী মোইনানা মকোল শারে। নুংঙাইরে। খৎন-চৈনবা লৈত্রে। লাইবক ফরে... লায়রবা কোক্লগনি। মলৈহা ইমানা জয় ওইরে...। গুরু মহারাজবু খুরুমজরি । জয় জয়।"

মোহন দাসকী মমীৎ উদ্রবী মমানা কষ্টুরী অমদি দেবদাসকী কাদা অলোপী মোইনাগী মহুম উখি হায়বদো চাননা চুল্লে।

অনীশুবা হাপ্তাদা নুংতিগী মোহন দাসনা কোলিয়রীদগী চিঠি লাকপা ঙাইরম্মী। হায়রিবা হাপ্তাদুদা পোষ্টমেন লাকখিদে। মথংগী হাপ্তাসু অদুম্মক হৌখ্রে। অসুম্না নুমিৎ ২১/২২ শুরে। কান্সাকোরাগী কঞ্চনমল শর্ম্মগী মচানুপা সন্তোস কুমার শর্ম্মগীদি হান্না চিঠি ফংদুনা থবক জোইন তৌখ্রে হায়বা পাউ তারে। মোহন দাস হেজিক লৈতাবা ঙমদ্রে। মহাক ষ্টেট ট্রান্সপোর্টকী বস তোংদুনা কোলিয়রী য়ৌরক্লে। রিক্রুইটমেন্ট ওফিসারনা ময়ামদা মথং মথং লেট্টর থারি হায়। পোষ্টতি অহুমনি অদুবু খঞ্জিনবদি মখোয় মঙা খঞ্জিল্লে। মশীং হেনগৎত্রবদি খল্লিবা কেন্দিদেট অনী অমসু ককথৎকনি হায়রি। মদু তাবদা মোহন দাস পাখৎপনা লোইরে। "পোষ্ট অনী হেনগৎলকপসু য়াই। করিগুম্বা হেনগৎলক্তবা থোক্লবসু নহাক্লা লিষ্টতা অহানবা ওইনা লৈবনি। নঙগী মিংদি ককথৎলোই।"

(মথং-মথং)

— *মণিপুরীদা ঃ ডা. রাজকুমার মোবী*